
খেয়াল খেলা

অনৌবা শৈরেং নাচোম

খোঞ্জেল অমত্তং

[illegible]



কোংজবা :
শ্রী[illegible] [illegible]পক [illegible]
কাং[illegible]কাই।

অহানবা [illegible]
ডিসেম্বর, ১৯৬৯

মমল : লুপা ১,৫০

নম্ফম :
দি মনিপুর কো-ওপরেটিভ পব্লিশিং সোসাইটি লিমিটেড : (প্রেস সেক্সন)
পাওনা রোড, ইম্ফাল, মনিপুর।

কচ্ছগি লৈখিদ্রবা

শ্রীলোংজম বাবু সিংহ

পহোপী থুন্নাপা

করি থান্ম অঙাকপদা।

ফানীংদে চাংখনীংদে, নাকোংশনা তাকনীংদে,
মুরলি মাওদনা
শৈশক্তি নতনা,
কনাগী লিংনো
নতনা শক্লিবা।
চা [illegible] থম্মোয়, পুক্নিংদু তৌরী মহাক
পুখারকপু তাইবদা লাংগদ্ব
[illegible] নীংথু ঈংদেকপু
নহুগী উৎলবা থেমজন ঢাইহনা।
হাওরম্বী লাকপিনি
শুক্রুংবগী খোইরুম মীনোক্লা
চংশত্র লৈনমহুনা, মহাকপো!
নুমিৎ থুদিং মাতবু ঙাইবদা
পিংলাইনবে ঐগী পুন্সি
করিনো মীগা মীগগী মরি?
করিনো হাস্মায়?
করিনো, করিনো, করিনোমনে!

মালিকা, মালোতি, জাতিকুমী, অয়ুক্তা কেয়া শিজাইরে,
মমুং মতম ওইবনা লৈরাং লৈশাং তম্মথে ।
মওং নাইদ্রিবা পুক্লিংসে
বন্দী ওইকরে নহাক্কী ।

নোংমা ঙালহনবীরম্মী ঐগী রাখল
নোংথাংগুম কুপখি আশাগী মিংমাঙদা
পুবীরকখিদে লাম্নবা হিদি ।

মাঙজররসনু, মাঙজররসনু ঐগী হকচাংসে
পত্তুনা পুম্মহনা মাঙজররসনু,
রাজরবা থরায়নি, রাজরবা হকচাংনি ।
কয়া কুইনা তেকনি থুইথরনা উনানা ।

লংশেকথগে শেগায়দুনা,
হকচাংসে মচেং মচেং
চাজহোরসনু লংজা কাক্লা
অহবু, যৌবীযুকো মচেং অনম্বুংদি মাগী মকানা
পেজ্জরগে মহনা মপোকসিদি হন্দক্কী ।

মা ঐভা কনা য়াওদনা
শান্নবা মুংশি ‘পলা,
স্বর্গগী নন্দন কানন
কজ্জরবা লৈকোল ।

মানা কনানো, ঐনা করিনো ?
করি হঙ্গোইবা, করি অকিবা !
রাইহনা কোংগমদবা থম্মোয়না ফেংহোকখি
মানা শকখি ঊশৈগী পরেং পরেং

খোঞ্জেল অমতং

ভাবি নাকোংনা ইঙ্গশি খম্মোংবনা
কবিনো হায়বদি খঙদনা।

ওইনবা! ওইনররোই অপুক হয়' ওইনররোই
লোৎপা! লোৎপরেই অপুক হয়া লোৎপরোই
খঙাদ নৈকা চাওনিপাল,
শাংলসম্ব ওদি ভাইরব ঈাযবক
উজ্জ্বরসম্ব নৈহি পাম্ব বোইমুখ।

নায়ক নায়িকা, কনাগী খুৎলেমনবা।
প্রেমগী কৈশুমশং কননা খেঙনো!
মহানন্দ মাশাক, চন্দ্রকা পুশি
কবিনো, কবি অমা, কবি নৈবি

কোৎখে পুংবা কবা, চৎখে কোকে কনা
তুমখে খঙেও খোয়রাংলব, নৈশালক্ষ,
ভংলগে মুখ্‌কৈ খাহাও খুঙাইগী ভাইবংবা।
শকচগে পুন্সিগী মাকপ হৈমে
মুশিং খুনিং হৌখ্রবা প্রেম অহনা
খঙজগে পুন্সিগী অর্থ।

অহুব ………. ..

কবিগী কম্মি ইতোমত।
কবি খম্মি অচিকপদা!

— —

বন্দী ওইহল্লে ঐবু।

করিনো ... ...?

অমম্বু থাদহল্লি
অজ্ঞানবনু মমহল্লি,
শুক্রবা কারাগারদা
থম্মী ঐবু বন্দী ওইনা।

যাদুগর!

যাদুগরগী মিত্র'নি
ভাবোক পুন্না শুমহৎলি
পুক্কিং হকচাং শুমহংলি।

অমরাবতী!

স্বর্গগী অমরাবতী
ফজরবা লৈকোল লৈকেল
নোংথির' শা'ংজিবা পাম্রিব'
হৈরাং লৈরাংজক্কা শাম্নই

ও! থাওবা হেকদ
চাক্রদা মরুভূমি
শারবা লৈতোইদো
থম্মী থৌন্না শেক্তাদক্কা।

থোঙ্গেল অমতং

তা'রিসিবু অতৈবগনে ?
থাজমদিগনে মসিবু !

মাগিবা

লৈরিবা নাপিবা
নওবা উপ্পা ছুমলকপদি
অহোইনবা চাকখংবদি
ওমচাক্লবদা মৈরিসে।

বসন্তগী অংক
শরৎকী থাবল
শাম্নবা লমদম।

অহাংবা।

তরং ম'থংনি অহাংবা
করিনো তো'রিসিবু ?
বন্দী ঐদু কারাগারদা
বন্দী ওইহল্লে ঐহাকপু।

তাকপীয়ু।

তাকপীয়ু!

অয়ুক্কী অতিয়া লৈতেংলবা
নোংপোক কোয়েংহনবা মথংকসে,
সন্ধ্যাগী মতমদদি লোংখিগনি
নোংচুপ চীংথোল মরকদা।
নুংভাইবগী ইথক ইপোম মরক্তা
ভাইহাক পুম্নোই ইরাক্করবসু
তিনখিগনি অমুক চংঙৌ নাইত্রব ইপাকা
হিংগদ্রা মীওইবসে থানবগী মমক?

হায়বীয়ু!

লৈশাং তমথ্রবী পামেলদা
শান্নক্তদ্রা অমুনবা উহৈ,
করিগী লোংলগ পোমামবী শিংতেল লৈরাংদা
নওগী মুংশিবা লৈনব।
করিগুম্বা শাংলবদি কেনখিগনি থংহোদনবা
কেরব শাংপরা লৈগাংসে?
লোংপরা মুংশিবা লৈনম
য়ংপোম্বা লৈরাংদা ডাইহাকীংমক।

খোংজল অমত্তং

অমনা,

বসন্তগী অয়ুক্কা থোকলিবা
মঙাল চাউবা মহাকসে
থোকলকখিগদ্রা মতংগী অয়ুক অমদসু
ওসিগুম নীংখিনা, ওসিগুম তশেংনা।
ওসি হিংলিবা পুন্সিনা
উখিগদ্রা হয়েংসু মহাকপু?
তাইবং কৈথেল য়াংমদা
ওসিগী নীংথিবা অয়ুক্কী দৃশ্য
থনথসিবা উখিগনি হয়েংসু।

অমুক্না,

পাক চাউরবা পুন্সিগী ইপাক্তা
অকিবা ফংলবা নোংদৈ মুংশিংসক্কা
হিনাও শাবীনবা য়াওব্রবা হিসে
ঈয়াই তমলক্রবদা কোইওাওননা
নীংবা কায়বগী ঈথকলক্তা
হিন্নুংদা ঈশিং চঙলকলবদা
ঈরোল্লুংদা লুপহল্লসিন্না হিসে।

তাকপীয়ু,

কল্লবা প্রলয়গী মৈনা
মায়কৈ থুংনা চাকসল্লবদা,
তমখিবা লৈম্মৈ মরক্তগী
য়ানা চেপ্পোক-রকসবা শক্তিসে,
লেপলুবনা ওমলবা নিঙ্খায়গল্লবা লৈখায়দা
অরোইবা পুন্সিগী মিয়েংগা লোয়ননা
তাইবং পুম্বা কাভিথোক্না
য়েংখিসিন্না সংসারসে
মথানি থনহুনা?

খোঙ্গংলবা চেক্লা।

হে চেক্লা। পূন্সি চুপ্পা খোংহুনস্নু
ফংলরোই থাদোই মাদি,
য়োখে অপাম কাদা, পান্ম, নাক্তা
ঙমদ্রবনে নঙদি মাবু কাউবা ?
মিকুপ খুদিং পুংজা খুদিং
তেংথারিববু থম্মোয়না তোয়না তোয়না,
পোংথাকম ওইরবরা নঙদি মাবু শোনবনা ?
থুমলক্লরোই মাদি হন্দক মপোক্কী
তোকপ্লো খোংলন্ন লৈস্লেং ফাইরনি।
চোকথরনি রারনি পিক্লবা নশাদো।
ঋতুরাজ বসন্তনা চঙলক খুদিং
হেন্না খোংলি নখো পোংনা হৌনা
থিরী মকম খুদিং কোয়থুং থুংনা।
খোংগংলবা চেক্লা ! তোক্লো খোংবা, তোক্লো থিবা
পোকঙমদনা পোকপা মপোকনি
চংখে মাদি নঙবু থাদোক্লুনা
লৈখে মুঙাইনা মশাবী নাক্তা।

নওদি তোক্তি, হৌজিকফাও খোংবা
কম্নি থম্মোয়না তেংথা-নাওইনা
তেম্নবা নপুন্সি লেম্নগেরা চেক্লা
মহাক্কবু শোন্দনা লেমহৌরিবা নপুন্সি।
ঐস্রু থওই নওগী মৈশা
লান্দে মাবু শোনজবা
কায়দে মাবু সুংশিবস্রু
লৈহৌরস্ত্র কায়রবা থম্মোযগী খোম্মোকসে
লৈরিবমখৈ মীওইবা জাতিনা।

থম্মোয় ।

মক্পলোই ।

উরমত্রবদি নঙগী শকতম
খোংলমংলাই ঐগী থম্মোয়' যীনা
য়েংদুরগা অশুম নঙগী মায়থোঙদা
হংবগুম তৌরি ঐগী পুক্নীংনা
সংসারগা ঐগা নৈনরীবা মরী ।
নহাক্কী ল্লুরবা মিৎ নহা অনীদা
তম্বি থোথুবা মপোক কয়াগী হায়রী ।
নহাক্কী মোমোন মীনোক্তা
থাওরি পুন্সিগী অর্থ কয়া
নহাক্কী থাগাং কয়ানা
হৌরকপগুম তৌই ঐবু—
পুন্সিগী লিলা য়াওরোলাও হায়না ।
নহাক্কী থঙনবা চুমিংতগী
থঙবগুম তৌরি ঐগী পুক্নীংনা
ঐগা সংসারগা নৈনরিবা মরী
নহাক্কী হাদবা খোঙথাংনা

তাকপগুম ভৌই ঐভোন্দা
পুন্সিগী খোঙথাংদি অসিনি।
নঙগী হাপ্লকেং মিংয়েং মোমোন মীনোক্তা
তাম্মি বসন্তগী মমি,
হুন্‌হল্লি আশাগী মেল্লৌং।
মখোল খোক্‌না মরোল লোনখিবা মিংল্লেংনা
চল্লখনি পুন্সিগী পাওখোং কয়া।
নহাক্না মিংমাংদা লৈরিবৈ
ওই সংসারগী ফজবা পুম্বা ঐতগী
নহাক্না মিংলেং ৱাংথা লানথুবদা
থলহৌই ঐনা
ঐ কনানে ?
অহুম্না মহাক্না কনা ?
নঙনা তাম্মবা মিংকুপ্তা
নংলামন্‌ অমম্বনি, কন্‌বন্‌ অরেম্বনি
মতম্‌ থাঙ্‌ত্রবদি করিদনো ফজবা।
খোইমুনা লৈহি চুম্পগী,
মচু কয়াগী কুরাক্না
লমথুংফম লৈতনা পাইবগী
নীংখিবনা কদাইদনো ?
অঙনবা অয়ুকী দৃশ্যদা
লমগী থুম্ন অনীনা
উকৈ অমত্তদা তোংমিল্লহুনা
নোথ নোথ খোংবগী
হুংশিবা মুমনা করিনো ?

খোঙেল অমত্তং

মচা নীংবী ষনবীনা
মথাদা মচা থমদুনা
কি-কি কান্না শাউদুনা
মচাবু ভাকপগী অর্থনা করিনো ?
শংবাম্নবা অতিথাদা উমাইবীনা
কোয়না কোয়না পাইদুনা
বৃত শেম্বগী ফজবনা করিনো ?
নত্তবু মাওঙ্রবদি করিঃনা পুন্সিগী অর্থ।

চমন্।

করম্বা শিংগনি নঙগী লমন
করম্বা মিকুপ পুংভাদা
করম্বা অহিংগী ভাংলোদা
করম্বা পুক্নীংগী লৈকোলদা
করমিন্নফনা নঙগা ঐগকা
অচৌকপদা .... অহিংদা
মাচৌক মীরাওখোল ভাপ্রবদা
ফোংদোক্নুনা পুক্নীংগী থুপ্লবা আশাসে।

থাজ

মপুং ফাবা শরংকী থাজ
নাম্ন চীঙ্গা পাওমেনজরবন্ন
ফংজদে থুংনা শোকপদি
নঙগী মায়থোঙনা শুমহৎথিবনা
পাইরি ঐগী রাখল চেন্নাসে
নোংমদোল খেংনা মাইকৈ খঙদনা

অহুমু

থোংনা নোংরিবী শরৎকী পূর্ণিমা
করিগী লোৎলি লৈচৗলক্তা
থাবলগী ইপোমদা শাংচবী থম্বালগুম
নহাক্কী মায়থোঙদা ঙাওজরিবী ঐহাক্কী
কঙাওনববা ঐগী থম্মোইবু
তঙনা খিহল্লে নঙনা ঐবু
পিথাদোইগুম মফম খুদিং থুংনা।
মুংশিগী ইকুং কয়ানা
ঈংহল্লবস্থ থম্মোইসে মতম পুম্বদা
কল্লবা সমুদ্রগী ঈথক অসিনা
পুখিগদোরে ঐগী আশাগী হিসে
কায়গদোরে ঐগী থম্মোই
চাক্লে নিংঙঙদা মেনা।

অহুমু,

নীংশিংহল্লে ঙসি অমুকম্থ
করম্না শিংগনি নঙগী লমন
ভোল্লগত্রা ঐবু পুশি 'সিমগী।
'চোংলি ঐদি ভোর্ব্বান্দা
কল্লবা নোংলৈ মুংশিংনা
ভমদোকখিগদোরে ঐগী থম্মোই
ঐগী আশাগী ভোর্ব্বান্দা
শাখিবা আশাগী কুরা
তুম্না মাওংথু ঙসিদি।

তাকউ

করম্না শিংগনি নঙগী লমন
ঐগী থাজ অহৃদি
'লোংথে লৈচীন' মরুমদা
শাংথে থাসিগী অহিংগা
লিরিবা বসন্তগা মালংস্থ
তিংথে ঈথকী মংগোইলক্তা
ঐগী থবাম চেক্লাস্থ
নোংমদোন খেংনা পাইরম্বা
লানথে মিংজেং বাংমদা
ঐগী পুক্নীং লৈকোলদা
হুনখিদ্রে আশাগী য়েন্নীং
কেনথে নৌনা পোমলম্বী লৈরাং
শংংঙমদনা লৈখোঙদা চোইজাইননা,
কবম্না শিংগনি নঙগী লমন।

অহুব

হায়বু! কবম্বা মতমদা কংগনি
ঐগী মিংকী পিবাংসে
শিন্থরিবা ঙসি লেপ্তুনা
লমদম কৈদা চৎলগা
কোকনি ঐগী অরাবা
কংগনি পুন্সিগী পোথাবা
থম্মোইগী শান্তি ঐগী চঙজকম।

অমুকস্থ

'ভোল্লবনি ঐদি নঙগী লমন অমা

শিং'ঙমলয়োইদবা মপোক 'সিমগী
অহুবু মঙগী লমন অসিদি
শিংলপে ফোংদোক্ত্রনা নফমদা
খম্মোইগী নিংঙমদবা কয়া
পেনবীগত্রা নহাক্না ঐবু
ঠৈথোকপীগত্রা ঐগী পিরাং ?

অমনা,

করি ওইরমগনি হুযস্ত
কালিদাসকী শেংলবা
কলমগী ইচেলদা শাস্নবী
প্রেমগী অশেংবা পুজারী
নৌজরীবী শকুন্তলানা
অশেংবা পিরাংগা ঈয়োইননা
ঙাকপিখ্রবদা মহাকপু।

অহুবু,

মাঙথেৎ্র ঙসিদি ঙমনক
নীংশিংহনহুনা লমন অমন্তংবু
লোৎহুনা থমলি ঐগী খম্মোইদা
য়েংথরকউ অঙোবা লৈচীল্লক্তগী
কোরকউ ঐবু ভংতনা
সমুদ্র ঈরাওখোল্লক্তগী
তিংথোরকউ অনৌবা উনালক্তগী
নঙগী ঙোরবা খুৎচাশিং
ঠৈথোকপীয়ু ঐগী পিরাং
শিংহনবীয়ু নঙগী লমন্।

করম্না কাওসিগে।

পুন্সিগী বসন্তনি ঋতু বসন্তনি।
য়েন্নৌং চল্লক্রে হৈপাস লৈপাল
মাংলেম শংলে তশংবা মচুনা
ঐগী পুন্সিংসু ভাম্ন অনৌবা য়েন্নিং
মচু কয়না লৈতেংলে ঐগী থম্মোই।
বসন্ত থুদোক্লৈ চিংগোংলৈ নাচোম,
ঐনা পামজকই খেংচনাংলুই কনাগী নাপাদা
পিথি নত্তনা লৌখি ঐনা পামজনা

করম্না কাউসিগে মকপলোই

ওমরখায়ামগুম ভাওবি গী নেশাদা
লৈনিংদে ভাইহাক্তা মফম অমদা তুম্মম্না
নত্তবু থিনিংই, নত্তবু উনিংই
ওইবি অসিত্তনা ঐগী নুভাইবসু।
খোয়রাংলবা পুক্নীং ওমচাক্লবা থম্মোইনা
শকই নত্তনা তম্বীবা শৈশক্তা
পুনাথে ঐগী থম্মোইসু মূরত্তুগী রাগনা

করম্না কাউসিগে মরুপলোই

বিষেনপুরগী নৈহাও লৈরেন পামজবা উথবাল
শোনস্তদা ঐনা পুবীরকখি নভনা
লৌজখি ইধূংনা পামজবা থুদোলদৈল।
কাওনজমস নডগী ঐগী
তাইবংগী কৈথেলদা শাগখিবা পুন্সিগী লিল।
করম্না কাউসিগে মরুপপোই

নোংশিংলিগনি নভস্থ এদাম অমদি ইভপু
যৌবনগী অয়ুক্তা পুন্সিগী বসন্তদা
চাখিবদা চাইহনবা উইহ থাংখিবদা রানা নপুন্সি।
কালেনগী মৈশালকা সমাড়গী মানোক্তা
ঐগী খরায় হকচাংস্থ লৈথে নভনা মমল য়াওদনা
ইংহনি ঐগী পুন্সস্থ নভগী থেরাপগী লাইরুনা
খভবীরি নভনা ঐগী পূক্কগী অপাম্বা
করম্না খভখিবা করম্না উখিবা?
করম্না কাউসিগে মরুপপোই।

মায়াগী কৈথেলনি শুনহংপনা থরবা
অরাম থেরাংবা মযাই কাবা করা যোম্বিবা
কাম্মিনকই নোংমা ঐথোর অনীভা
মচু কাানা লৈভ তপবা কৈথেলদা
লৈখি ঐন নভনা পামজবা মচু
ওমরখায়ামগুম বাগী চারবীওম
মুংশি বারিস্থ, পুন্সি বারিস্থ শারখি
করম্না কাউসিগে মরুপপোই।

মায়াগী সংসারনি মায়ানা পুনবনি

খোঞ্জেল অমতং

কৈথেলনা খমলকপা পুংজাদা
ঙমংলাইদো ঐস্থু নতুং ইনবা
করিনা ওইবগে সুং'শবগী পম্বুংকম
তাকপীনু ঐভোম্বা খঙদবনা হংবনি
নঙগীদমক শিজ্জগে নঙগীদমক হিংজগে
করম্বা ঙাকউগে ঐগী য়াশকসে।

নুংশিবা।

ভাদ্রনি নমুন্দা কা
শাঙলক্লবদা বড়িগী থাউমৈনা
নুপলিবা মৈচৌশিংনা পাইখ্রগা
উগনি মিং থল্লক চুমথাংদা মচু তারেং।
কোংলক্লবদা নাশশিনা
তাগনি নুংশিবা রাগ-রাগিনীদা
কাওহনদ্রবা নুংশিবা ইশৈ
খোইরুমদা নোঙ্‌কপদা তকাংলবা চানবান্দা,
কাংথোক্লকপদা খঙ্ক্লং লংলবা য়াংলানলক্কা
হোনগনি নহাক নুংশিবগী নুংশাম্বর মশী।
স্বরশিংগী রাগ-রাগিনীনা
লংখংহনগদবা নাত্তু বড়িগী মৈথাল
তোইহনগদবা নাত্তু বাঁশিগী খুংথংসু।
খোম্থাং ৱৈরুগনি চঙজফম লৈত্রবা কলাগী পম্মোইতবু,
তিল্লথুবদ থম্মোই অনদো অমুক্কং
শাগনি মতম নুংশিবগী অশংবা উনালক্কা।

ভাহোগনি নাইতোম শোল্লবা মহাক অহুনা,
মুংশিবা! করম্বা পোংশক্লো নহাকসে?
কনানো মরাল লৈরিবা?
নহাকী মোল্লবা খুবাং
নহাকী মুংঙাইরবা, ভম্পাক
নহাকী কাউঙমত্রবা নেশা অহুরা মুংশিবা?
লেংব্রবদা নঙনা চৌংঙম্বা
হেৌরক্লবসু চেলয়গী ইথক ইপোম কয়া
তিনখিগনি খাতু কয়াগী ইপাকলক্তা
চুমিংকী মঙান্না নিংথৌগী অতিয়াদা তিনখিবগুম
হেমন্ত ঋতুগী ভাংশিল্লবা উনাদা,
খাগী অইংবা মুংশিংনা য়ৈবদা
মনা কেনখ্রবা উপান কয়ানা
নোকনি নঙবু উবদা
ইকোক কোক্লবা উপান কয়ানা!
মুংশিবা! করম্বা পোংশকনো নহাকসে?

শকথঙদবা।

ঐনা থঙাহৌদ্রবা মিকুপ অমদা
উথি ঐনা নঙবু
মীনা কক কক ইন্নরবা মীতগী কৈথেলদা।
য়েংজিন্নিংবা'ন নঙগী মায়থোঙ,
অহুবু মাঙাথ নঙদি মীদক্তা।
অমুক্কা উ'থ নঙবু
অতোপ্পা মিকুপ অমদা
তুং ওইরপ উহৌবনা
উহৌদ্রে পামজবা মায়থোঙ শেংনা
কনাদনা উগনি, কনাদা হংগনি!
কৈদা থিক্কনি।
কনানো নঙবু?
মফম থঙদনা নঙবু পিনিংই ঐনা,
অহিং সুংথিলগী রাথল কয়াম্বু
নঙগী ইহৌনা থুমহংলি ঐগী পুক্নীং।
কোংগমদ্রবা মৈশা অমনা
পিরি অরাবা ভজনা

শকথঙদবা নঙবু থিনিংবা
লাল্লববা ঐগী পুক্নীংসে ?
তোক্লগদ্রা ৱাহুনা অরেম্বদা
থম্মোই। করিগী থিনিংলি মহাকপু,
কংলরোইদবা মহাকপু।
করে. ত'রে। মী অরেম্বদা
তোকলোই। ঐনা নঙবু থিবদি

মাবু উৎবদ ।

লৈত্রে ওসিংদ

ঐহাক্কী কনাগ্ন.

হাংলে পূক্নীংসে অহাংবা অতিয়াগুম

চিক্রে রাখলসে ঈচিক হনবা অহিংগুম ।

তক্লবা বন্দো

মল্লবা অহিংগী

থাংশি মুমিংকী ভন্দনগী কুকেং-কাক্কেং

তাপ্লবা মতাল, তাইহাক পুসোই থল্লবা রাখস

তিনখ্রে অহাংবদা

শংবাল্লবা চীংদোল, নোংদোল খেংনা রাংখিব্রা

ইশং শংবা লমহাং মিংকী তরৈথ ওইখিব্রা

চাক্লবা মক

খোঙদাকম লৈত্রবা।

পাক্লবা মহাসাগর চাংকো নাইত্রবা,

অতোবা লৈচিন লুপা কোম্পুমগুম্লবা

শন্দোকখিব্রা শিল্লা-

অতিয়া মকোয়
হাংলবা পুক্নীংগী নিংথেমদ্রবা থম্মোইদা
শৈদমফমদনি।
অহিংগী অচিকপা তুগায়রেনা নিং-নিং।
নোংথাংগী মভালগুম দুফেং-কাফেং—
মমি শামি,
উখিবা শকতেম,
কল্লবা পুন্সিগী অথাক অরাপ্পকা
শেংফাংতনা তাখিবা মেত্তবা খোঙ্গেল
থল্লুর ঐদি—
ঐবু শৈথাংবীগনি।
চাক্রবা মক হৌরকলে থনয়গী মৈ
করম্না খাংগনি, করিনো খনগনি
তারগ থবায়সে
চোংশিন্দুনা মৈমুংদা।
চিক্রবা পুন্সিসে চিকহল্লগে,
ইচিক হুনবা অহিংগুম।

—

থাথনগী শায়ওন ।

মহাকম্ম য়েংলমগদ্রা ওসিগী থাবল ।
পুষি মপান্দা মদোম ফংঙ্গন
তারিবা ঈশিংদা উপান লাপানগী মমি,
মপুং ফাবা থাজ মহাক্কী মমি ।
শাগ্রিবসে থবোগা ঈয়াংদা কুমহনা হরাওনা ।
য়েংলমগদ্রা মহাকপু !
অমুবা অকুপ্পা লৈচৈন, অপাবা অংডাবা লৈচৌন
পাইরিব অতিয়াদা শিনথুংনা ঐগী থাবলশুম
অনুক শংবা, অমুক পাবা,
মহাকম্ম ঐশুক পল্লেফম থঙলমলোইদ্রা ?
মহাক্কা থাবলশু ঐহৈং —
অতিয়া সংগাই শিনব খুংনা কুপলমগদ্রা ?
চোকথরকপা পাম্বোম অমা ইকথনডা,
সুংশিববা মিংসা অমা উংশিল্লা
মদোম লৈবমগদ্রা তরক্লা ।
কনা লৈজরবা মীগী মতোংশুম
হৌচক চিক্লমগদ্রা মাগী পুক্নীংসু ঐগীশুম,
ওসিগী থাবলদা ।

ঐগী বাখলনা মাগী মাক্তা চৎথুনা
নাইতোম তাববা ছিক্লবা মাগী বাখলদা
তত্তনা শাম্নরুসি হৌরিবসিগুম
হৌরমগদ্রা ঐবুস্তু মাগী বাখলনা ;
মাগী মিৎতগী তারকপা পি মরিক মরিক
সুংশিরবা 'মৎ-নহা জনীদা পক্লিবা পি
তৈথোরলীংবগুম ঐগী খুৎনা, খুৎসিমক্লা
নীংলমগদ্রা মাস্তু ঐগী মতৌগুম ঙসি অহিং।
য়েংউ।।
অমুক খোকলকলে নীংথিবী থাজসে
অমুবা লৈচীল মরুমদগী
থরোস্তু হবাওরে হ'ইনা হুন্না ঈগাইনা
হমলি মালংস্তু
'লি'রি লিরি
ঐগী পৃক্লীংস্তু শারে অগোই
মাস্তু ঐগুম হন্'ওরমগদ্রা ?
থাবলগী লৈরাং থিরমগত্রা—
পুথি, মপান্দা নত্রগা শুমাং মতোন্দা,
নত্রগা পঙ্গোগী মাঙ্গে'ল উথোকতেনদা গাহনা।
মওং নৈত্রিবা ঐগী পৃক্লীংগুম
পাইবমগদ্রা মাগী বাথল চেক্লাদো
নোংমদোল শিনবা থুংনা।
হে মালংবা!
পুবীবক্উ তাজনীংবা মপাউ
ঐগী থম্মোইদা চঙহনবীয়ু

অশাম খোঙাংবা কোয়বা পুন্সি'সিমগী।
উচেকরনে মালংবা! ভয়েরবগনে নং'কপু!
মালং শ'উম পীকপনা
য়োঙমদ্রবা মাগী নাক,
চিনথ্রবা অহাংবা ম'লংদা!
খা-ঙাংদগী মিকুপ খুদিং হুমলকপা ম'লংবা!
পুবীরকউ পামজবা নপা'উ।
তায়োম্নবা ঢাগলনা
ঐনা খিবগুম ম'নু অহাংবদা,
হায়কু! খিবগা মাস্ত ঐনু,
অহাংবদা মদোম ফমমুনা।

নিংশিংবা।

লাকলম্মীদো ঐগী প্রেম
অণনবা অযুক্তা
উচেক্কী মুংশিবা শৈশক্তা
গুমিংকী অশেংবা মণ্ডাল্লক্তা
লাকলম্মীদো ঐগী প্রেম।

অমুক্তা—

মতমগী কল্লবা ইরৈলক্তা
থরো থরো, মরৈ মবৈ
মুরৈননা চেম্থরিবা ইচেল্লক্তা,
পুখ্রি মপান্দা শিঙ্গারৈ মখোঙদা
থরাকলৈগী মরুমদা
জাতিকুম্মীগী লৈনমদা
লাকলম্মীদো ঐগী প্রেম।

অন্তরা।

অমতা ওইনা হৌখ্রে মতমদো
মতমগী খোঙচৎ তুং ইল্লকনি থলম্বা
লৌনম্বীরমলে মতমনা ঐবু।

মাংঙাংখ্রদো ঐগী প্রেমদা
ঐনা [illegible] থুইজবা
থইরমলে [illegible] [illegible] অ[illegible]।
অদোম্না থইরমদে ঐনা [illegible] প্রেম
চাংখোকন্নে অং[illegible]বা [illegible] পীবাংনা।

[illegible],
[illegible] ঐগী প্রেম
[illegible] নহুক্নু [illegible]না,
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] ঐনু নহক্না।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]না

নঙোন্দা থমলে ঐগী পুম্বা।

অমুক্তপা হায়রো ?
ঐবু হিংখো।
ঐ হিংলিগে।
নত্রগা হাযয়ু।
ঙংশিয়ু
ঐ পিগে ঙংশিবগী থম্মোই।
থম্মোইত্তুবু লৈরবদি নঙান্দস্নু
ঐহাক ননাক্তা ঙাইহক পোথংবমখিগে
উংলমদগে ইকায় খুম্নবা থদ্নে ইহুবুস্ন।
নত্রগা -
হনখোরা থঙহল্লমদনা ?
ঐ হনখ্রগে ননাক্তগী।
ঐবু কপ্পরা ?
ঐ কপকনি
ঐগী মীংতা উনবগী শক্তিদো লাক্রগা
কংথিত্রবদি করিস্নু উবা
লোংখ্রগেকো মিংকী পীরাংসে।

হায়য় !

ঐ মাঙখোরা ?

ঐ লোংখ্রগে মপোক'সিগী

নত্রগা -

শিরোরা ?

ঐ শিরগে ......

ঐগী মিং ঐগা নাকেং ঐগী হকচাং

তোঙান তোঙানবা ঐগী শরুগী মীতম

মংথাদুগীদমক ঐ হিংবা নত্রগা শিবা।

বসন্তগী ঈশৈ

খঙলুদে বসন্ত নংসে কয়াদ মুংশিবা!
ইরোম্নুংদা মতম কুইনা লুপলুরে
বসন্ত ঋতুনি পুন্সিগী বসন্ত,
বসন্ত মালংদা বসন্ত, ঈপোমদা ত উরী পুক্নীং হকচাং
হুল্লি অনৌবা য়েক্নীং বসন্ত লৈকোল।
বাখল মালং চুরি বসন্ত হৈনম লৈনম।
মিকুপ পুংজা খুদিং ইনৌত নৌই মুংশিবনা থল্লি
মুংঙাইরবা মিকুপ, মুংশিন্নবা পুংজা বসন্তগী মালংদা
মুংশি ঈপোমদ। খোংলবা থম্মোই নৌরবা পুক্নীং
খঙলুদে বসন্ত নঙসে কয়ামুক মুংশিবা।
অমুকী মেঙলবা মুংশা মঙালনা
লুম্বু শাহল্লি ঐগী পুক্নীং থম্মোই
লুম্বু লুম্বু শাহল্লি, হরাও মোমোনলক্তা ওমচাক্লল্লি
কপ্লী থম্মোইনা হিক্লা—
লৈনালক্তা কেনখিনি কিবনা লোৎলুই,
খঙলুদে বসন্ত নঙসে কয়ামুক মুংশিবা।
লমফেল পাংনি মাঙদা তারিবা অশংবা লম্পাক

তম্না উরি হপংবা, হৌরি ইপোম অমুক্তী 'লক্রা মনিপক্তা
চৌক্লা লেম্না য়েংলি চৌংনা চৌংনা—
নেংক্রি খোংখোন ঐগী মতো য়েংনা য়েংনা।
লিংরবা মালদা ইকায় থিবী ডাক্তেংপ্না
নোঙ্গরি শাংতক তোবা ওকথম চংয়না চন্না।
চুংথিলগী অকনবা পুংশংদা উতুনগা লোইনবা উননা
চাংখরি কোকখক্তা রেম্বায়গী লৈংনং থুংক্তংকম
থংলুংদে বসন্ত নঙ্গনে কয়ম্বুক চুংশিংদা!
মরক্তা হিংবা থংমাইবু পুংগোক উতুনা
লৈংলি নঙনা ঐবু নাংখবী শাক্লেন উতুনা
লাংলবি নঙনা ঐবু হন্না হন্না।
নঙনা নঙাইবগুম ঐবু লংনবদা
ঐখু মুথাই নঙবু লংনবদা
বসন্তগী 'ফেকোলদ বসন্তগী মংলংদা!
নত্তে ... ! ঐগী বসন্তগী মৈশা নঙগী লৈশা।
... মৈশা ... অমত্তনি
... বসন্তগী থম্মোইগী বসন্ত
শাবা নংদুম্বা বসন্তগা ঐশৈ।

খাবা !

থাবা।

নুংশিদা চাইথম অতিয়াদা তোমখিন থোকপী
নৈ তংলি নওনা মচু কয়াগী অংযা।
ঙাংদ্রানবা, শংবানবা, রাওথাংনবা অতিযা
পাইখব উচেক শঙ্গ শঙ্গ য়ারেকফম তন্না লৈচিল্লক্লা।
ও লৈশিংদা ও! তেনজ্জন শাথ্রবা!
নাইতোম থারবা?
নাইতোম পাইরিবা তেল্লা থাপাথ্র চামথ্র মাদি
লানখে মিংয়েং রাংমা উখিদ্র পুন্নমক অমুক হন্না।
নোংচুপ।
নোংচুপ হায়রম!
য়েংনাংই নোংচুপ হায়রমতা নোংচুপ!
তনানবা খাংপোকশং পূক্লীং মুঙোনবা লাইরশং।
অচোবা উপান রাপান, লেপ্পী মুশুক মুশুক তুমিন তুমিন
তুরিনা য়েকপশুম অমুবা চাংশাং পরেং অমুবা উপাল
য়াতারি চাক্লা লেম্ম, অমুবা চাংশা নাপোম অবাংদস্থ থাদস্থ
থোবকলে মহৌশা কৌবী, চাক্লা লেম্মা অমুবা ফিজোল
থোন্দুনা।

অচিকপা! অচিকপনি অচিকপা!
অরেম্বানি চীং লেম্বা—
চীঙ্গা ঈংনা চীংলেম্বী প্রকৃতিগী শক্তম ওসি।
হেন্না হেন্না মমহল্লি, হেন্না হেন্না ভাল্লকলি
হেন্না ফজবা থাবা মাগী মায়থোঙস্ু—।
অমম্বনা, মকশিনহনবা! থাজ মাগী মায়থোঙবো-
লাংশিনলমগদ্রা?
মদোম থোকপী থাবা মাগী মায়থোঙস্ু
মমশিনগ্রে! হাংখে!
হায়য়ু থবা!
নঙগুম তোমথিন ভানবীনি থম্মোই' অতিয়াদা
চীঙ্গা ঈংনা চীংলেম্বীনি প্রকৃতিগুম মাস্ু
কুপথ্রবা মাগী মায়থোঙবু অমুবা লৈচিন্না?
ভাল্লম্বা ডুকান পরেং, লাওলবা কৈথেল
স্ট্রিট লাইটনা চামখোক্লবা লম্বী,
ইন্নরী মীনা কুক কুক—
জীপ, কার, রিক্সা, সিটিবসনা হেন্না চিল্লি লম্বী,
ফাইরবা খোঙ্গেল লৌফম খুঙদা কৈথেল মুপীগী
গাড়ীগী খোঙ্গেল তিনখি পুম্নমক মীনিল্লক্তা
মীতগী কৈথেল, মীতনা লেং লেং চৎপা মীতগী সমুদ্র
সন্ধ্যা আরতিগী খোঙ্গেল
খুলক্তা কাংশি শেম্বুংগী মখোল
কৈথেল কুম্বীশিংগী বারী তুংদা, মাঙদা
পুম্নমক উরম্মী মাঙখি, উরম্মী মাঙখি।
লেংদবদি হেন্না হেন্না লুমথরক্লবা থম্মোই মাতা

ভক্তশিংগী সংকীর্তন, ভক্তশিংগী ভক্তি,
ঐগী ভক্তি নাইতোম তোমথিন থোকপী থাবাগী ভক্তি?
সংসার?
লৈবরা হাংলবা সংসার জীব লৈতবা
মাগী ঐগী সংসার—
মাগা ঐগতা লৈনবা সংসার।
নাইতোম মদোম ওানবী।
নাইতোম তোম'থন থোকপী।
তাওহল্লে মালংদা, তাওহল্লে ঐবু থাবা নত্তনা ওসি।

লৈচিনগী হেন'

কবিগী থোক্তরে থাজ ?
        নুংশিনা য়েংঙবা নঙগী মায়থোঙ
        পামজনা লাংচবা নঙগী মূর্তি
        উদবে ঙসিদি নঙগী মাযথোঙ
                অস্নুক থেঙলবা তাংলৌসিফাও।
পাইখ্রে মিকুপ খংহল্লমদনা য়াংনা
তুমখ্রে থম্মোই খোয়রাংলবা মৈশানক্তা
কবিগী থোক্তরে থাজ ?
        নীকলে পুক্লৗংসে কিবনা থোক্লরাইদ্রা থনবদা
                শসি অহিং।
        লুপখ্রে থম্মোই ফুম্বংনবা বাখলগী ঈপোমনক্তা
        তাউবে হকচাংনু মক্ষম খঙদনা
        লৈরমথিগদ্রা লু ভোং ঐগী হকচাংসিদা।
            পাইখ্রো ঐগী আম্মা—
            থোকলুরো থবানমিচাক ওইনা
            য়েংজনবা থাজগী মায়থোঙ
            মিকুপ খুদিং পেম্মা।
ফাওরকলিবা মঙালসিনা নোংচুপ থংবা অতিয়াদা

পীরি আশাদি খৌরাংলবা ঐগী পূর্ণোংদা
অতুবু থোকলকখিগদ্রা ঈংলবা অত্তিয়াদা
উবকখিগদ্রা নঙগী মায়থোঙ ঙসি অহিং।

খুংনা শাম্বা ফংবরা নঙবু
পাঙমেনজংদি ঙখী নাপ চিন্না
নঙগী মায়থোঙদা হাঙজবী ঐনি।

চতুশিনবা লোইদ্রিবী ঐবু
থাদোকপীরমগনু অচৌবা উচেকলক্তা
কাক উমাইবীনা থন্নবা
পাইবা হৈদ্রিবী ঐবু
পিক্লবা শাগন তুকাং থগুনা।

উরে। মন্নবা লৈচিন্নক্তা নঙগী মায়থেঙ থজিক্তং—
থাজ! করিগী লোংগি নঙগী মায়থেঙ
ঙাইরি ঐদি নঙতবু খৌরাংনা।

করিনো থাজ! নঙগী মতৌসে ঙসি অহিং।
নঙতবু ঙাইজবনি ঐনা
অতুগা থোকখ্রবা নঙদি থাপ্না তান্না
হুন্দোকলন্নবা ঐবু ইতোমত্তা

নাইতেম তারবা! অমুক উরগোইদবা?
থম্মোইগী অন্নবা?
থম্মোইনা খঙদ্রবা।
হোয়রকলো প্রলয়গী মৈ; চাকথেন্নরো হকচাংসে
কান্নদ্রবা।

লৈনোংদ্রে হিংতুনা নঙগী মঙাল ফংদ্রবা অমম্বা সংসারদা,
লোংখ্রো থাজা অমুবা লৈচিন্নক্তা
অমুক থোকসন্নগনু; অমুক উংলরগনু।
তাংহন্নগে মীংসে মপোকসিমগী।

তম্বীকুন্ত মাগুংব, খংদেম্বদবা কনাবা।

ঙসিনী অহিংসে মাংদে হৌখিবা অহিং কযাগা
হেন্না মুংশি, হেন্না ফজৈ হেন্না খোইরাংই।
মশীং খাঙমখিনা খোকলিবা, হে থবানমীচাক।
মুংশি মিয়েংদা নমায় পুবা চমক্কবে ই,
নখোয়বু হেক্রপা পরেং লেংনীংঙ্গ ঐনা
ছুকচনীংই পামজবা কনাগী ঙকশমদা।
থম্মোই মকা লামশবা মপুং ফারবা হে থাজ!
মোমোন মিনোক নোক্লীবোই নঙগী ঐগম ঙসি অহিং
নহাক্কী পিক্লা হে নবা স্বর –
থাবলগী ইপোমদা তিন্নি থম্মোই ইপোম
মিকুপংমক্তা লাঙথোকহন্নংব্রবা মহাক্কী স্বরগী নাশোন
তিনখে ঐগী থম্মোইগী ইপোমদা ঙসি অহিং।
লংনা খোকশম্বা শজিক থাবান মঙাল শারক্তে
মালয়া পর্ব্বতকী শিংসক্তে ইংজবী মালয়া।
পুন্থনা মুংশিবা হৈনম লৈনম—
হে মালয়া। চওবীরকসন্থ ঙসিদি ঐগী কাদা
পুবীরক্লগু মুংশিবা হৈনম লৈনম,

খোঞ্জেল অমত্তং

ঐগী থম্মোই তম্মাংথে ঙসিদি মহাক্কী সুংশিবনা
চৎলোকো মালয়া ঙসিদি থম্বীরমলো মত্তোনত্তা
হৌদোকপীরগনু মাবু থাবনা হুজিক্কা ভূমথথিব্রা
ঐনা মাবু নীংজবা সুংশিনা লুনা ভোজবা
তম্বীরগনু মালংবা থঙলোইদবা তাইবং কনাদা

ঐনা শিরবা মতমদা নিংশিংবীগনু ঐবু।!

ঐনা শিরব মতমদা
নিংশিংবীরুগনু ঐবু অমুক হন্না।
নহাক্কা তংগনি তেংথা নাওইবা মীকপ কয়াগী খোম্লোক
তাকলি মতুনা ঐ সংসারদগী চংখ্রে
পৃথিবী শিংদগী থুম হোংলে ঐ
নঙনা শৈরেংশি পাকবগনু
ঐবু নিংশিংবীরগনু—
নত্রগা শৈরেংশি হরমশিবা থুংসিবুনু।
মরমদি— ঐনা নঙবু থুংশি
ঐহাক নিংশিংবীরদা নঙগী হাথজদা
মীংগদবা লৈবকনি অরাবা
কাওথোকপীয়ু ঐবু।
ঐগী লৈথামগুম মওং লৈতেবা কবিতা
পাবীয়ু হারাওজংদনু
কবিগুন্দ নহাক্না ঐবু—
হেক্তিন্না উংহোবগীগনু মীয়ামা মাঙদা
অদুবু ঐগা মাংথরকপিবা পুন্সি অসিদদি
লেংদনা লৈহনবীয়ু নঙগী থুংশিবদ
নহাক্কী তেংথা তারগা—
পৃথিবী পুম্নামক মেংসনু নঙবু ঙক্না
অদুবু ঐনা শিরবা মতমদা নীংশিংগনু ঐবু।

করিগী শির্হরি পিরাং।

করিগী শিন্থরি পিরাং।
য়োরবদা নীংবা কায়বগী থাক অমা
থঙ্গ্র ঐদি নওগী অপাম্বা করিনো।
অদুবু হোরবলি নডনা থম্মোইদগী
পুম্বা মিংম্না অনিদা
কান্নবগী অকংবা লৌনক্তা
ইভাগী নোংখোং ফ্রইরবা নোংগুম।
উক্লবদা শরতকী অতিযা
নীংথিজবী থংজগী মায়খোঙ
থল্লুবদা হৌখ্রবা লাকলরোইদবা মতম।
অদুবু অডনবা অযুক্কী মঙাম্না য়ৈবিবা শেক্তা লক্তা
লাক্লমগনি মহাক পৃথিবীগী থাপখ্রবা মকমদগী
ভাইরমগনি ঐবু খোরাংনা।
অরাবা পুম্বা লোইথিগনি, তিনখিগনি ঐগী পিরাং
মচু কম্বাগী সমুদ্রদা,
ওইরুগনি থম্মোই অমত্তা মঙাকা
ঐগী মুংশিবা পুম্বা লুপথিগনি

থৌজাল অচুগী লাইজমুংদা
তিনখিগনি অমত্তা ওইনা মতমগা।
কালেনগী মমশিললবা অতিম্বাদা
মাংখিবগুম মুমিংকী মঙালনা।
মীকপ থোকললকপদা উচেকী অহানবা খোঙ্গাং,
তাগনি তায়োন্নরবা নাপ্পনা,
উগনি মমি শামলবা মিংয়েংদা
মিহুংথোঙদগী ফাওজিন্নকপা
অংশংবা মুমিংকী অরংবা মঙাল,
কয়াদ মুংশিরিবা, কয়াদ—শুকলিবা!
করিগী শিঙ্গরি পিরাং?

কনানো ?

ভাইরি ঐদি নঙবু
কনানো নহাকপু !
অয়ুক সুংথিলগী বাখল কয়াম্বু
নঙগী ইহৌনা থুমহৎলি ঐগী থম্মোই।
মতমগী অচৌকপা মকম কয়াম্বু
থিরি ঐনা নঙগীদময়ক।
মওং লৈত্রবা ঐগী থবায়সে
থরি ঐনা নংগী নরলনি।
ঐগী ইশাদা লোন্থনা থমজবা
লৈগী অথোংপা মতৌ, ফজবা মওং,
সুংশিবা লৈনম—
নঙগীদময়ক মপুং ফাহনথিগনি থলুই ঐনা।
অহুবু সংসারগী লানফম অমদা মায়থিরবা মতমদা
ভোতাম্না ভারে নঙগা ঐগা তসিংদি।
ওইথোক্লোই থল্লবা বাখল
লাক্লে থঙহৌদ্রবা মিকুপ্তা।
অরেম্বদা নীংশিংলুই হৌখ্রবা থোদোক কয়া
ফজবা লৈতে, অপাম্বা লৈতে,

হুংশিবদা হুংশিবা লৈতে খল্লুবা
করম্বা মিকুপ্তুনো অমুক তূজুংহল্লিবা।।
পংশিল্লবা উনশাদা, কনাগী থুংফমনো।
উইশিল্লবা মিংমাঙদা কনাগী মূর্তিনো?
মল্লবা রাখলদা, শোল্লবা পূক্লীংদা,
করম্বা আশাগী মঙালনো?
মচেৎ উবা রাখলগী মূর্তি।
লাল্লরোই নীংসম্বা কনাগী শকফমনো?

লাকলো অথৌবা।

য়েংঙু! ইমুং মমৈ ওইরকলে
হৌগৎলো লাকলো—
ক'রগী মঙ মঙন্তনা লৈ'রি ?
চৎথে মথোয় পুম্বা লালকমদা
থাং-তা থেংনবগী থোপ্পেলনা
পঙ্শিল্লে নাকোংসি, লাকলো
ক'বগী নাইত্তোম চাহৌরি অথৌবা!

ওইবসি য়েংঙু! পৃথিবীগী ইতিহাসনা
নঙ এগী লিলাতবু।
য়েংঙু মহু মাঙ-তুংদা অমুক হন্না
তুংজুংকম ওইরবা লালকমনি
মায় পাকপা নম্রগা মায়থিবা
ওইয়ু নহাকসু পুন্সিগী লাম্না।

অশাবা ঈ চেল্লি নপাম্বোমদা
হেন্না হেন্না কনথৎলকনি।
থম্লবদি শিঁজিন্নদনা তাথুগনি ময়েং
মঙোন্দকাও থঙহল্লমদনা—
লাক্লো অথৌবা চঙলসি লালকমদা।

নংবু পুন্নিবা য়োংহিলিংদো
কান্নদবা য়োংহিলিং ফালাংদো অনুতাপকী
থদংলমলো লাকলো—
কাউথোকলো কান্নদবা মঙ পুন্সি।
মখা ইথগদবা ইতিহাসকী চেনাদি
নঙ ঐগী পুন্সিগী নাইনি।

অরা মুত্তাইগী পুন্সিনি
য়েংদুনন্নু হনগংনা হৌথুবা ইতিহাসতা
নীংবা কাংবা অনুতাপা থল্লবা
ভুসিদগী শমথগদৌরিবা ইতিহাসনা নঙগী ঐগীনি,
লাক্লো! চঙশিল্লসি নদোম ঙরক লেপ্পমু মুংজাননা

মুথক থরতমক মঙাইরে
ইমুং মমৈ ওইরকলে—
কোরৌ মশেক লাকপদা, তুবুম থক্তিক উবদা
য়েক্লবনা কোয়শিল্লকনি,
অকিবা ফংলবা লাল্লাওগা লোয়ননা।
থরায় কয়ান খাঙলগনি ওন্না থোইনা
লালগী খুৎলায়না শোক্লবদা।

চারিবা খোঙথাংগী নাশোলসে
য়েক্লবগী খোঙথাং নাশোলনি।
মৈথুবদি লালকমগী অরোইবা পুক্তা
করম্বা মায়কৈদা পুথিনি থদে
নঙগী ঐগী শেমজিনখীরবা ইতিহাসকী চেনাশিং।

নঙনা কাংসি খোঞ্জেলদু তাদুনা
লানফম তম্না লাকলবনু ভবক্লা
লাম্হোক্‌না চংখৎপনি নহাক্কি
অরোইবা পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা
ঐদি ইরমগনি পুন্সিগী ইতিহাসতা
মিত্তগী তারকপা ঐ মচুগী মুক্তা।

ঐদি কাওশিংনি

অনৌবা মুংশিবগী ঈচেলদা
তুরেনগী ঈচেলগুম চেম্বিবা
শাফু কল্লবা নচানি
চেম্বগে ঐগী হিদেনবু লান্দুনা
ভাইহাক শাম্নম্ন লৈবাইদা থেংহুনা।
অচৌবা ঈথকী অলকেলি
ঐদি কান্নবা কাওশিংনি
থওলবরা ?...............?
অহুবু,
পিক্ল-পিক্লবা কাওনিং মচাশিংসে
করিগুম্বা পাল্লবদি অচৌবা থোংথোং অমদা
নোংমদি ওহরকনি লৈতোইভগী ভুম
নথক্তা নেৎহুনা শাম্নবা ম্যাগনি
অভাগী সঙ্গ সঙ্গনা।
থওলবর ?
ঐদি কান্নবা কাওনিংনি
নওগী তুরেনগী ঈচেলগুম ম্যাংলবা
মুংশিবগী ঈচেলদা।

মোইরথা